**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নার্কোতিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোনা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈদগী লুপা কোতি ১৫ রোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন কিলোগ্রাম ৭ লোম ফারে।

২) জপানদা থবক তৌবা চৎকদৌরবা মণিপুর মচা ১৩ গা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ঙসি ইম্ফালগী লোক ভবনদা উন্নখ্রে।

৩) বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট মৈনম ভোরোতনা লৈখিদবদা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোকরক্লি।

৪) ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোইশি হায়বা য়ু.পি.এফকী টু হিল্লরগী রেল্লি ইম্ফালদা অমুক হল্লক্তুনা লোইশিনখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা এ.আই. ষ্টার্টঅপশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

------

ড্রগ (এল)ঃ নার্কোতিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি)না ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈদগী মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি ১৫ রোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন কিলোগ্রাম ৭ লোম ফারে।

ঐখোয়গী পাউমীনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংগী পাউ পল্লদুনা অককবা পাউশিং ফংবদগী এন.সি.বি ইম্ফাল জোনগী কাংবু অমনা অসাম রাইফলসকা পুন্না চখৎবা ওপরেসন অমদা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈদা লাকপা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমদগী পোৎলমশিং অদু ফাগৎখিবনি। পোৎলমশিং অদু সাপোন কেপ ৬৩৮ দা হাপ্তুনা পুরক্লম্বনি। ড্রগশিং অদু ম্যান্মারগী হাইচিন রিজনদগী পুরকপনি হায়বা খঙবা ঙমলে। ড্রগশিং অদুবু পুরকপা চুরাচান্দপুর মচা অনিসু ফারে। মখোয়না ড্রগশিং অদু অশুকপা উমংগী শরুকশিং ফাওদুনা লাক্লগা মণিপুররোমদা পুশিল্লকবা হোৎনরম্বনি।

জেদয়ুএফ (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা খারম ৱাইফৈ ভিলেজগী অকোইবদা ঙসি অয়ুক পুং ৭ লোম তারকপা অদুৱাইদা চীংগী লালহৌলুপশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপখ্রে।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- থৌদোক অদুদা অশোক অপন য়াওখিবগী পাউ লৈতে। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা মফম অদুদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চংশিনদুনা থি হুন্বগী থবক চখৎখি। মখা তানা খুৎ থোকবগী থৌদোক থোকখিদ্রে হায়রি।

গভর্নর (এল)ঃ জপান লোল তমদুনা হৈরবা অমদি জপানদা থবক তৌবা চৎকদৌরবা মণিপুর মচা ১৩ গা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ঙসি ইম্ফালগী লোক ভবনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মীওই ১৩ অদুগী মমা মপাশিংসু য়াওখি।

লোক ভবন ইম্ফালগী চেরোল অমনা হায়- উখ্রুল, সেনাপতি, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং চুরাচান্দপুরদগী লাঞ্জেন্নরকপা মীওই অমা য়াওনা মীওই ১৩ অদু জপান লোলগী টেষ্ট অমসুং স্কিল প্রোফিসিয়েন্সি টেষ্টতা মায় পাক্লবা মীওই ঙাক্তনি। থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা মখোয় জপানদা চত্তুনা নর্সিং, হোস্পিতালিতি অমসুং মেন্যুফেকচরিংনচিংবা লমশিংদা থবক তৌরুগনি।

উন্নবা অদুদা রাজ্যপালগী মাইকৈদগী মখোয়দা নুংঙাইবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মণিপুর অমসুং ভারতকী নাৎ চৎনবীশিং ঙাক্তুনা জপানদা মায় পাকা থবক তৌদুনা ভারত অমসুং জপানগী মরক্তা হেন্না থাজনবা মরী থমবদা হোৎনবদা থৌদাং লৌবা ঙস্বা ওইরসনু হায়না য়াইফ মঙ্গোল পীখি।

সেনাপতি (এল)ঃ  সেনাপতি জিলাদা বরাক তুরেলগী অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থমবা অমসুং ফিভম শোকচিল্লবা মফমশিং খঙদোকবা সেনাপতি ফোরেষ্ট দিভিজন্না পার্তিসিপেটরি রুরেল এপ্রাইজেল কৌবা থৌশিল অমা পায়খৎপা হৌরে। থৌশিল অসিগী মখাদা খোমজিনবা রিপোর্টশিংদা যুম্ফম ওইদুনা বরাক তুরেলগী মহৌশাগী শক্তম ঙাক শেন্দুনা থমবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়রি।

ভোরোত (এল)ঃ বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ওইরম্বা মৈনম ভোরোত ঙসি অয়ুক অঙনবদা কারকিনোজ হোস্পিতালদা লৈখিদ্রে। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাগামপাল কংজাবী লৈরক মৈনা লৈকাইদা কুমজা ১৯৫০ দা পোকখি । মশাগী চহি ৭৫ শুখ্রে। মহাক মতম কুইনদগী নাদুনা লৈরকপনি।

মহাক বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট ওইনা টার্ম অহুমলক থৌ পুরমখি। মৈনম ভোরোতনা লৈখিদবদা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

অৱাবা ফোংদোকপগী চেরোল অমদা কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রি-জোয়েল ওরামনা হায়-বি.জে.পি. মনিপুর লিংখৎলম্বা মৈনম ভোরোতনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি থম্মোয় শোকিংঙাইনি। মহাকা বি.জে.পি. মনিপুরবু মপাঙ্গল কনখৎনবা থৌদাং কয়ামরুম লৌরম্মী।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনসু মৈনম ভোরোতনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা হায়-মহাকা লৈখিদবা অসি বি.জে.পি. খক্কী নত্তনা মনিপুরগী মীয়ামগীসু মাঙজবা অমনি। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা গনতন্ত্রবু চেৎনা থাজবা অমদি খুনাই অসি চাউখৎনবা চোকথবা লৈতনা হোৎনরম্বা লুচিংবা অমনি। মহাকা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি।

বি.জে.পি. নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ-সম্বিৎ পত্রনসু মৈনম ভোরোতনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়-মৈনম ভোরোত অসি বি.জে.পি. মনিপুর লিংখৎলম্বা মশক নাইবা লুচিংবা অমনি।

এম.এল.এশিং- থোঙাম বিশ্বজিৎ, থৌনাউজম বসন্তকুমার, সাপম কুঞ্জকেশ্বর, কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা: রাজকুমার রঞ্জন সিংহ, বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী জেনরেল সেক্রেটরি-কে. সরতকুমার অমসুং মণিপুর এক্স-এম.এল.এ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্নসু অৱাবা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালগী থন্বাল শঙলেনদসু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদা, দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমদি কেন্দ্রগী হান্নগী মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা থৌনাউজম চাউবনচিংবা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

রেল্লি (এল)ঃ যুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ)না চহি ৭ খুন্তাকপবু নিংশিংদুনা হৌখিবা দিসেম্বর ৯ দগী হৌদুনা থাবুম অমা চুপা নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থকী থৌরম পাঙথোরক্লি।

থাবুম পালন অসিগী মনুং চন্না হৌখিবা দিসেম্বর ১৯ দগী অসাম, মেঘালয় অমসুং ত্রিপুরাদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগা উন্নদুনা ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোইশি হায়বা ৱাখল্লোনদা মণিপুরীশিংগী ওইবা অপুনবা শক্তম অমদি শক্তি অমা শেমগৎনবা থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে। মণিপুরদসু লুপ অসিনা শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা টু হ্বিল্লরগী রেল্লি অমা ঙসি ফাওবা পাঙথোকখি।

ইম্ফালগী হপ্তা কাংজেবুংদগী ঙরাং লমথাখিবা রেল্লি অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ফাওদুনা চৎলবা মতুংদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মোইরাংদা থুংখি। মফম অদুদা লেক্লবা মতুং ঙসি মখা তানা ককচিং অমসুং থৌবালনচিংবা মফমশিং ফাওদুনা লাক্লবা মতুংদা ইম্ফালগী মণিপুর কলেজদা থুংখ্রে। রেল্লি অদুনা ৱাবগাই লমখায় য়ৌরকপা মতমদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুর (য়ু.সি.এম)গী প্রসিদেন্ট ৱাই.কে. ধিরেন্না হায়- মণিপুরনা ভারত্তা তিনখ্রবা মতুংদা লৈরক্লিবা ফিভমশিং হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফিভমশিং নিংথিনা নৈনবা মতম ওইরে। ভারতকী নাগরিক অমা ওইরিবা মীয়ামা নংলিবা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবশিং অসি মখা তানা অসুম চথরকপা অসিনা মীয়ামগী পুকিং ৱাখলদা অৱাবা কয়া থোকহল্লি।

য়ু.পি.এফনা শিন্দুনা হয়েং মণিপুর কলেজদগী মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চত্তুনা লংথবাল খুভম কাঞ্চিপুরদা লৈবা মহারাজ গম্ভির সিংহগী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তল্লবা মতুং মীয়ামগী ওইবা অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা থাবুম পালন অসি লোইশিনগনি।

কোওপরেতিভ (এল)ঃ মণিপুর কোওপরেতিভ সোসাইতিজ এক্ট ১৯৭৬ কী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা কোওপরেতিভ সোসাইতিশিংনা আইন অসিগী তঙাইফদবা চৎন কাংলোনশিং ঙাকনবা হায়রি।

কোওপরেতিভ সোসাইতিজ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- লাক্লিবা চহি অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা কোওপরেতিভ সোসাইতিশিং অদুনা এক্ট অসিগী মখাদা তঙাইফদনা তৌফম থোকপশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্রবদি মখোয়গী রেজিষ্ট্রেসন ককথৎপা য়াওনা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎকনি।

লিলা (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলনা শিন্দুনা লিলা কাংলুপ ৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোরকপা ২২ শুবা শুমাং লিলা নিংথম কুম্মৈ ২০২৫-২৬

ঙসি লোইশিনখ্রে। ইম্ফালগী ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা পাঙথোকপা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী সেক্রেতরি সুনন্দা থোকচোমনা হায়- শুমাং লিলা অসি য়ামা ঙল্লিঙৈ মতমদগী মীয়ামদা পাউজেল কয়া পীদুনা লাকপা আর্ট ফোর্ম অমনি। ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা শুমাং লিলা য়েংবা লাকখিবা মীয়াম অসি উরগদি আর্ট ফোর্ম অসি শিথরক্লে হায়বা য়াদ্রি। মহাকা হায়- মণিপুরগী অরিবা আর্ট ফোর্ম অসি শিথখিদনবা অমদি য়োকখৎতুনা থমবা হোৎনবদা মীয়ামা মতেং পাংবীবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা শুমাং লিলা কাউন্সিলগী এক্তিং প্রসিদেন্ট হৱাইবম বুধিনা হায়- শুমাং লিলাগী মগুন হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা ফাগিরোইশিংগী থৌদাংসু য়ামা চাউই। ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা টাইম ষ্টার আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লিলা- লোয়নবী উৎখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা মণিপুরদা কাংলুপ মশেল নুংশি চান্ননা অমদি শান্তি ওইনা লৈমিন্ননবগী ৱাখল্লোনদা ঙসিসু হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি, চন্দ্রখোংগী ই.এস.এম, সোসিয়েল মিদিয় ইনফ্লুয়েন্সরশিং, কৈনৌগী ৱার্দ মেম্বর, লিলোংগী দুকান ফম্বা মীওইশিং, শঙাইথেলদা লৈবা ভোকেসনেল গাইদ স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমসুং তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

হেদক্কাটরস আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী চেরোল অমদা হায়- ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা তেংনৌপল হাইস্কুলদা লেমা লায়েংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা মফম অদুগী মীওই কয়া লেমা লায়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকশিংসু পীখি।

লান্মী (এল)ঃ ভেটরান দ নেন্সস ইভরলাষ্টিং প্রাইদ হায়বা থিমদা ভারত লান্মী শিন্দুনা ঙসি এক্স-সার্ভিসমেনকী রেল্লি অমা বিষ্ণুপুর জিলাদা লৈবা মেজর এল. জোতিন ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। রেল্লি অদুদা ভারত লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং এক্স-সার্ভিসমেনশিং শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ   দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস ককচিংনা শিন্দুনা কেত্রেক্ট ওপরেসন তৌখ্রবা মীওই মঙাগী হকচাংগী ফিভম চ্যেক তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীওই মঙা অসি মমাং থাগী ২৪ দা গুদ গভর্নান্স ৱিককা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মেদিকেল কেম্প অমদা ওপরেসন তৌখিবনি।

নম্বুল (এল)ঃ   ৱার্দ নম্বর সিক্স য়ুনাইতেদ ক্লব উরিপোকনা মণিপুরগী রাজ্যপালদা নম্বুল তুরেলগী মতাংদা মেমোরেন্দ অমা পীশিনখ্রে হায়রি। মেমোরেন্দম অদুদা নম্বুল তুরেলবু নিংথিনা শেমজিনবীনবা য়াওনা তুরেল অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা রাজ্যপালগী পুকিং চিংশিনখি।

লিক্লম (এল)ঃ   লিক্লম ঙাকপা হায়রিবা লুপ অসিনা ভারতকী রাষ্ট্রপতি, প্রধান মন্ত্রি, গৃহ মন্ত্রি অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রিদা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ৱাকৎ চেরোল অদুদা নেসনেল হাইৱে হাংদোকবা, আই.দি.পিশিং নিংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবা অমসুং মীয়াম্বু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া য়াওরি।

ৱাকৎ (এল)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভি.দি.এফ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না ঙসি মখোয়গী তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তকশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। জিলা অদুগী ওইনাম কাংজেবুং লম্পাক্তা চথখিবা মীফম অদুদা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইনাম বিজয়না হায়- রাজ্য অসিগী ভি.দি.এফশিংগী তলব হেনগৎহনবা, অসাম মেন্যুএল পুলিস এক্ট ১৮৬১ সেক্সন ১৮ মপুং ফানা চৎনহনবা অমসুং ভি.দি.এফশিং রিগুলর তাহনবনচিংবা দাবীশিং থা অসিগী ১৫ ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা ৱাকৎ মীফম অসি পাঙথোকপনি।

নুপী মরুপ (এল)ঃ   ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ৮৬ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা

নুপী মরুপনা মণিপুরী খুনাইগীদমক লৌরকখিবা থৌদাংশিং শিংথাদুনা ৱা ঙাংখি। ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট এস. সোরোজিনি য়াওনা লুপ অসিগী মরুওইবা মীওই কয়া থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবাক অসিগী এ.আই. ষ্টার্টঅপশিংগী রাউন্দ টেবল মীফম পাঙথোকখ্রে। মথং থাদা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়া এ.আই ইম্পেক্ট সম্মিৎ ২০২৬ তা শরুক য়াগদবা এ.আই. ষ্টার্টঅপ ১২ না ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

লৈবাক অসিগী ষ্টার্টঅপশিংনা ভারতকী লোলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা মোদেলশিং, ই-কন্মর্স, মার্কেতিং, ইঞ্জিনিয়ারিং, হেলথ কেয়ার, দাইগোষ্টিক অমসুং মেদিকেল রিছার্সনচিংবগী মতাংদা এ.আই. শিজিন্নবা হোৎনরি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা আর্টিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সনা খুনাই অমবু মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎলকপদা লৌরিবা তঙাইফদবা থৌদাংশিং ফোংদোকখি।

য়ং ঃ ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ ২০২৬ নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা হয়েং পাঙথোক্লগনি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়- মীফম অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা শিংনবা কয়া মায়োকদুনা অফবা তুংগী লাইবক লেপ্পদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

খেল্লো ঃ স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা দমন এন্দ দিউনা য়ুম্বু ওইবা অনিসুবা খেল্লো ইন্দিয়ান বিচ গেমস ২০২৬ তা মণিপুরগী শান্নরোই ৱাহেংবম সুধির মৈতৈ অমদি প্রেমচন্দ্র য়েংখোমনা পেন কেক সিলাত মশান্নগী গন্দা ইভেন্টতা সনাগী তকমান লৌদুনা মণিপুরগী অহানবা মেদল এক্কাউন্ট হাংদোকখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা তামিলনাদুবু পোইন্ট ৫৫৫-৪৪৭ তা মায়থিবা পীখিবনি। মেদল টেল্লিদা হৌজিক মণিপুর অহুমশুবা

মফমদা লৈরি। অমরোমদা, মশান্না অসিগী কিলোগ্রাম ৫০ দগী ৫৫ ফাওবগী নুপাগী কাংলুপ্তা মণিপুরগী য়াইখোম রোহিত মৈতৈনা উত্তরাখন্দগী ইসু ভারতিবু পোইন্ট ৩৬-২৫ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে অমদি নুপীগী কাংলুপ্তুনা মণিপুরগী রোজি চনুনা গোৱাগী পরমেশ চৌহানবু পোইন্ট ৪৫-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখে।

ফুটসাল ঃ কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুন কুমার মেমোরিয়েল ফিফ ইন্তর ক্লব ফুটসাল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.আই.ৱাই.সিনা এম.আই.য়ু.এফ.সিবু পাঞ্জল ১১-৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা- এস.এস.সিনা আর.এফ.সি.সিবু পাঞ্জল ৯-৭ তা অমদি ক্রিপসানা নাওতোন এফ.এবু পাঞ্জল ১৩-৩ দা মায়থিবা পীখি।

ফুটবোল ঃ অহুমসুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.এফ.সি ৱাংঙুনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ইমোইনু এফ.সিনা শুগনু এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ অহানবা ভিলেজ ৱাইস মেন্স ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ওক্সু নিংথেমচা য়ুথ ক্লবনা সনামহি এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোর্দেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- অক্সদো খাঙবোকনা দব্লিউ.ৱাই.সি থৌবাল ৱাংখেমবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

------